**Important Phone Nos.**

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | |
|---|---|
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

**Today's Flights Timing (Non Stop only)**

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | AGARTALA |
| Air Asia (India) | 15:50 |
| IMPHAL → | DELHI |
| Air Asia (India) | 13:45 |
| IndiGO | 14:30 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:15 |
| IndiGO | 14:15 |
| Air India | 14:20 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 10:50 |
| Air India | 13:25 |
| IndiGO | 14:25 |
| Air India | 15:00 |
| IndiGO | 15:20 |
| Air India | 16:45 |

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.358026 |
| US Dollar | 71.370424 |
| British Pound | 92.997305 |
| Australian Dollar | 47.946650 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.219424 |
| Japanese Yen | 0.649893 |
| Malaysian Ringgit | 17.249592 |
| Singapore Dollar | 51.330280 |
| South Korean Won | 0.060338 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.032113 |
| Thai Baht | 2.290044 |
| Myanmar Kyat | 0.04937 |
| Bangladesh Taka | 0.84003 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 40790.50 |
| Mumbai | – | Rs | 40769.00 |
| Delhi | – | Rs | 40735.00 |
| Kolkata | – | Rs | 40760.00 |

## GAS NEWS

**ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking Upto: 20/11/2019
Valid From: 01/11/2019
*Stk : 306*
Timing: 09.00 am to 11.00 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto: 26/12/2019
Valid From: 21/12/2019
*14 Kg Stk : 612*
*5 Kg Available*
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto: 02/12/2019
Valid From: 28/11/2019
*Stk : 306*
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 13/01/2020
Valid From: 09/01/2020
*Stk : 612*

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Sl. No. – 761**
Booking Upto: 10/01/2020
Valid From: 09/01/2020
**14.2 Kg. Stk : 306**
**19 kg Available Stk: 13**
**5 kg Available**
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)

**K & K INDANE SERVICE**
Booking Upto: 26/12/2019
Valid From: 17/12/2019
*Stk : 612*
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**KHORIPHABA (NAMBOL)**
**Sl. No.: 65100 – 65445**
Booking Upto: 17/12/2019
Valid From: 16/12/2019
Timing: 07.30 am to 09.30 am

**KHONGNANG (NINGTHOUKHONG)**
Booking Upto: 27/11/2019
Valid From: 21/11/2019
*Stk : 306*
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**M/S KHURKHUL HEIKHAM INDANE**
Booking Upto: 20/01/2020
Valid From: 17/01/2020
*Stk : 306*
Timing: 08.00 am to 12.00 noon

**M.M. GAS SERVICE**
Booking Upto: 12/12/2019
Valid From: 27/11/2019
*Stk : 612*
*Rate: 986.40*
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Sl. No. : 5161 – 5630**
Booking Upto: 13/12/2019
Valid From: 11/12/2019
*Stk : 306*
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto: 15/11/2019
Valid From: 13/11/2019
*Stk : 612*
Timing: 07.30 am to 09.30 am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto: 14/01/2020
Valid From: 07/01/2020
*14.2 Kg Stk : 306*
*19 Kg Available*
Timing: 07.30 am to 11.00 am

**RBD INDANE GAS**
Booking Upto: 16/12/2019
Valid From: 28/11/2019
*Stk : 612 (Only CTC)*
Timing: 07.00 am to 10.30 am

**SANTHEL BAZAR, INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 03/12/2019
Valid From: 28/11/2019
*Stk : 306*
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto: 27/12/2019
Valid From: 21/12/2019
*Stk : 306*
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto: 13/11/2019
Valid From: 11/11/2019
*Stk : 306*
Timing: 06.30 am to 09.30 am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto: 10/01/2020
Valid From: 05/01/2020
*Stk : 612*
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto: 14/12/2019
Valid From: 12/12/2019
*Stk : 306*
Timing: 07.30 am to 10.30 am

## জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চরাংপাৎ মমাং লৈকাই সেলোম লৌকোলগী লেফ্ট ম্যেন কেনেল মপাদা থিঙুজম সোমোলা কৌবী নুপী অমবু হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৩গী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপা মতমদা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎননবা হোৎনরম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা হৈরোকপার্ট-টুময়াই লৈকাইদগী লাইশ্রম অনন্দ (২৭) ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট থৌবালগী কোর্টতা পুথোল্লব্বা মতুং জুদিসল রিমান্দ পীরদুনা জেলদা থাজিনখ্রে হায়রি।

থৌবাল পুলিসনা লাইশ্রম অনন্দবু ঙসি সী জে এম কোর্টতা পুথোরকপা অদুদা চরাংপাৎকী মৈরা পায়বীশিং অমদি থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীগী মীহুৎশিং য়াওনা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না কোর্ট কমপ্লেক্স তম্না থোমজিল্লকখিবগা লোয়ননা মরাল লৈবা অনন্দ শিবগী চৈরাক পীয়ু, নুপীগী ঈজৎ কল্লু হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। লাইশ্রম অনন্দ হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৯ অমসুং ১০গী লোন্নবা অহিংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারবা মতুং পুলিষ্ট কষ্টদিদা থল্লকখিবনি।

## সৈখ ৱারিশ শিদুনা লৈরমখিবা শজিৱা জেলগী মফম কম্মিসনগী চ্যেরপর্সননা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস): অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজনর (য়ু টি পি) ওইনা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাদা লৈরকখিবা সৈখ ৱারিশ শিদুনা লৈরমখিবা শজিৱা জেলগী মফম অদু ঙসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) গী এক্টিং চ্যেরপর্সননা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা য়েংশিনখিবা অদুদা এম ঐচ আর সীগী ওফিসলশিং, মণিপুর পুলিসকী এদিসনল দি জি পি, পি দোঙেল অমসুং জেলগী এস পিসু শরুক য়াখি।

য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা হায়খি, শজিৱা জেলদা লৈবা টোইলেটতা অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজনর অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকপা অসিদা যুম্ফম ওইরগা ঙসি কম্মিসন্না



স্পোট ইনক্বারি চথবনি। অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজনর সৈখ ৱারিশ মশা মথন্তা শিজৱা নৎত্রগা মীনা হাৎপ্রা হায়বদুগী ইনভেষ্টিভেসন অমদি ইনক্বারি কয়া পন্দুনা লৈরিবা মরম্না অহানবগী ওইনা ঙসি স্পোট ভিজিট তৌদুনা য়েংশিনবনি।

লৈখিদ্রবা মীওই অসিনা ৱাহৈ কয়া ইরম্মী হায়বসু থেংনরে। অদুবু ইরল্লিবা ৱারোলশিং অদু মহাক্না ইরল্লা নৎত্রগা অতোপ্পনা ইৱা হায়বদু য়েংশিনবা মথৌ তারি। জেলগী ওথোরিটিদা হংবদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু মমিৎ পুল্লম্মী হায়বদি চুল্লে। ফোরেন্সিক সাইন্সকী কাঙবুনসু হায়রে। অদুবু মখুৎ পুনবগী মওং অদুদি ফদিনা য়েৎশিনবগী মওংদনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা দিটেল রিপোর্ট অমসু পীরক্লবা মণিপুরগী দি জি পিদা খঙহনখিবা লৈরে। লৈঙাক্লসু থৌদোক অসিগী মতাংদা মেজিষ্ট্রিয়ল ইনক্বারি অমা তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবসু লৈরবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। য়েংশিনখিবা অদুদা এক্টিং চ্যেরপর্সননা জেল ইনমেট কয়াগসু ৱারী শানখি হায়রি।

## লৈঙাক্না ট্রিটমেন্ট ফ্রি ওইহল্লকপদগী হেপাটাইটিস সী কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা...

*লামায় ১গী মখা...* জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকল সাইন্সেস (জেনিমস) অমদি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকল সাইন্সেস (রিমস)তা ফ্রি ট্রিটমেন্ট, ফ্রি টেষ্ট তৌবগা লোয়ননা হীদাক লাংথকসু পীরি। লোয়ননা লায়না অসি লায়েংনবগীদমক জেনিমস অমদি রিমসতা নেসনল হেল্থ মিসন অমদি লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা মোদেল ট্রিটমেন্ট সেন্টর অনী হাংদোকখ্রে। লোয়ননা মতম-মতমগী ওইনা জেনিমস অমসুং রিমসনা এন জি ওশিংগা খুৎশম্নরগা মণিপুরগী লোইজিং লোয়াগী মফম খুদিংদা চৎতুনা হেপাটাইটিস সী অমদি বিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা চৎথরি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা মিরোনবী নুপীশিংদা ভাইরেল হেপাটাইটিস বী থেংনরবদি মহাক্না পোল্লক্কদবা অঙাং অদুদা হেপাটাইটিসনা নাদনবা ফ্রিদা টিকা থাবগী খুদোংচাবসু লৈ। হৌজিকফাওবগী ওইনদি হেপাটাইটিস সীগী লায়েংদা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি হেপাটাইটিস বিনা নাবদদি পীবা লৈত্রি। হেপাটাইটিস সীগী ওইনা টিকা লৈতবা, লায়েংবদা শেল য়াম্না চঙবনা গভর্ণমেন্টনা ফ্রি ট্রিটমেন্টকী স্কিম অসি মীয়ামগী খল্লগা চৎথরকখিবনি। অদুবু লাইবক ফবা অমনা হেপাটাইটিস বিগী ওইনদি টিকা লৈ। টিকা অহুল্লক থাখ্রবদি হেপাটাইটিস বিনা নারবা মীওই অদুগী পুন্সি সেফ ওইগনি। হেপাটাইটিস বিগী ওইনসু মতম খরগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা স্কিম কয়া পায়খৎলক্লগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়খি।

হেপাটাইটিস সীগী ওইনা লমদম অসিদা য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা হায়রগদি এৱ্যরনেস ৱাৎপা অসিনি। লায়না অসিগী ওইনদি মতম চানা হীদাক-লাংথক চারবদি য়াম্না লায়না ফবা ঙম্লে। অদুম্মকপু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মালেমগী ওইনা ক্রোনিক হেপাটাইটিস সী ভাইরসনা ইনফেক্সন তৌবা মীওই চাউরাক্না মিলিয়ন ৭১ রোম লৈ। কুমজা ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা হেপাটাইটিস সীনা মীওই ৩,৯৯,০০০ রোম শিহনখ্রে। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট, প্রাইভেট সেক্টর, এন জি ও অমদি মীপুম খুদিংমক্না লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা এৱ্যেরনেস ওইমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। হেপাটাইটিসি সী হায়বা লায়না অসি ঈ কাপ্পা, সেক্স্যুএল ট্রান্সমিসন, মমাদগী মচাদা লৌবা, দোক্তরশিংনা শীজিন্নরিবা ইক্যুপমেন্টশিং ফজনা চামথোক্তবা, সর্জরি তৌবদা চেকশিনদবা, টেষ্ট তৌদনা ঈ কাপ্পা অমদি সিরিঞ্জ অমনা শ্যের তৌবদগী লায়না অসি শনে দাকই। মরম অদুনা ঈগা মরী লৈনবা পোৎশক খুদিংমক্তগী লাপথোক্লা লৈনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। হকচাংদা হেপাটাইটিস সীগী ভাইরস অসি চঙখ্রবসু লায়না অসিনা নারে হায়বা হেক্তমক খঙবা ঙমদে। থা ৫দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা খঙলকপা নত্রগা চহী অহুম-মরীগী মতুংদা হকচাং শোন্থরক্তুনা, পূক কংখৎলক্তুনা, ঈ ওরক্তুনা, মীৎ নাপু মচু চঙলকপনচিংবা লাইওংশিং লাকপদগী হেপাটাইটিস সীনা নারে হায়না খঙলকপসু য়াওই। লোয়ননা লিভরদা শোকচিল্লকপা অমদি লিভরদা কেন্সর নারকপসু য়াই। অয়াম্বনা হেপাটাইটিসনা নারে হায়বা অসি এক্সিদেন্টলি খঙলকপা ওইগল্লি।

হেপাটাইটিস সী লায়নাগী ট্রিটমেন্ট লোয়রে হায়না হান্নগী পুন্সি মহিংদা অমুক হন্না চৎথরবদি করিসু কান্নবা লৈতে। ট্রিটমেন্ট তৌবা লোয়খ্রবসু থা অমা নত্রগা থা অহুমগী মনুংদা চেকঅপ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। হেপাটাইটিস সীগী হীদাক চারবদি লিভরসু ফগনি হায়না মীয়াম্না খন্নরিবা ৱাখল্লোনশিং অদুসু অরানবনি। হীদাক অদুদি শুপ্নতগী হেপাটাইটিস সীগী মহীক অদু হাৎননবনি। চাবা থকপা মতমদা থাউ-থুম কা হেন্না চাদবা, চাবদা তুম্বা ৱাৎপা পোৎশকশিং কা হেন্না চাদবা, হাইজিনিক ওইদবা অমদি য়ু থকপদগী লাকপথোকপীবা ফৈ। মরুওইনা মীয়ামদা হেপাটাইটিস সীগী এৱ্যরনেস পীনবা হোৎনবদা মীদিয়াগী অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই। লৈঙাক্না হেপাটাইটিস সীগী লায়নাবু ফ্রিদা ট্রিটমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীরকপা অমদি লায়না অসিদগী মীওইবা খুন্নাই কন্দবা য়াদে হায়দুনা এন জি ও কয়ানা থৱায় য়াওনা থবক তৌরকপা অসি লমদম অসিগী ওইনা অফবা খোঙথাং অমনি। লোয়ননা লায়না অসি চাদা ৯৫দি ট্রিটমেন্ট তৌদুনা লায়েংবা ঙল্লে। মরম অদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০৩০দা হেপাটাইটিস সী মপুংফানা মুথৎনবা পান্দম থল্লিবা অসি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোরকখি।

## কোর্টনা ফোরেন্নর অহুমগী বেল...

*লামায় ১গী মখা...* অদুবু ঙসি মখোয়গী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোয়রদুনা পুলিসনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবনি। লোয়ননা মখোয়গী মায়কৈদগীসু কেস অসিদগী বেল পীবীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি। কোর্টনা মখোয়গী বেল প্রেয়র এপ্লিকেসনশিং অদু লৌখৎতুনা হিয়রিং পাঙথোল্লব্বা মতুংদা রিজেক্ট তৌরগা মখোয়বু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, ঙসি পুলিসনা মখোয় অহুম্বু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকখিবদা মখোয়দগী সিজ তৌখিবা শাশিন্নবনি চিংনবা পাসপোর্টশিং অমসুং আধার কার্দকী অশেংবা খঙদোক্লবা রিজনেল পাসপোর্ট ওফিস (গুৱাহাটি) য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসশিংদা ভেরিফিকেসনগী থবকশিং চথরি হায়না ফোঙদোরকখি।

## লুই-ঙাই-নিগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা নাগাশিংগী সীদ সোৱিং ফেষ্টিবেল ওইরিবা লুই-ঙাই-নিনা লাকপদা লমদমসিদা নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু হায়রক্লি।

ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনসু নাগাশিংগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা লুই-ঙাই-নিনা লাকপদা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশি-চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল...

*লামায় ১গী মখা...* লেজিসলেটিভতা অহোংবা পুরক্তুনা পোপ্যুলেসন কন্ট্রোল তৌনবগী থৌরাং পায়খৎননবা দিমান্দ তৌরকখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। কুম্মজা ২০১৬তা বি জে পিগী এম পি প্রহ্লাদ সিংহ পটেলনসু পোপ্যুলেসন কন্ট্রোলগী মতাংদা প্রাইভেট মেম্বর বিল অমা টেবল তৌরকখিবা লৈখ্রে। অদুবু ভোটিংগী ষ্টেজদা য়ৌবা ঙমখিদবনি হায়রি।

## শেনবা চহী ২০২০-২১গী ওইনা লুপাক্রোর ২১,২২৪গী...

*লামায় ১গী মখা...* কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা বজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ২০ হাপ্লে। জেনিমস অসি ষ্টেটকী মশক নাইবা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট অমনি। মসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা অফবা মখলগী সেকেন্দরি অমসুং টর্সিয়রি লায়েং পীরি। কুমজা ২০১৯-২০গী রিভাইস ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ১০৩ হেনগৎলে। কুমজা ২০২০-২১ গী ওইনা বজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ১১৬.৮ হেনগৎলে।

থক্লবা ঈশিং অমসুং সেনিটেসন ফহনবা হায়বসি লৈঙাক্না পূক্লিং চঙলিবা হীরমনি। ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং অফবা থক্লবা ঈশিং পীনবা হোৎনবদা চীংখৈ চীং ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি য়াম্না মরুওই। মসিগীদমক রিভাইস ইষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা ক্রোর ৩৫ হাপ্লে। বজেট ইষ্টিমেট ২০২০-২১দনা লুপা ক্রোর ১৫ হাপ্লে। চীং অমসুং তমগী মরক্তা লৈরিবা মরী চেৎশিনহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। চীংদা চৎসি, চীংগী লুচিংবশিংগী নুমীৎনচিংবা পাঙথোক্লি। এ দি সীগী ইমপ্লোয়ীশিংগী পেন্সন পীবা হায়বসি মতম কয়াদগী তাল্লকপা দিমান্দ ওইবনা পেন্সন পীনবা ৱারেপ লৌরে। বজেট ইষ্টিমেট ২০১৯-২০ অমদি কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা লুপা ক্রোর ১৩.৫ অমসুং লুপা ক্রোর ৩৫ কায়থোক্লে। লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা মায়কৈদসু চঙশিল্লি। কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ২দা কেটেগোরি ৩গী মখাদা খ্বাইদগী মহৈ-মরোং পুথোকপগীদমক ক্রিশি কর্ম্মন এৱার্দ ফংলকখিবনি। লৌউ-শিংউগী বজেটরি আউটলে অসি কুমজা ২০১৯-২০গী বজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৩১৬ ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৯-২০ গী রিভাইস ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৩২৯ দা হেনগৎলে। কুমজা ২০২০-২১গী বজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৩৮৮ হেনগৎলে। রুরেল দিভলপমেন্টকী মখাদা খুঙ্গংগী লম্বীশিং ফগৎহন্নবগীদমক লৈঙাক্না অহেনবা লুপা ক্রোর ৪৩১১, রিভাইস ইষ্টিমেট ২০১৯-২০দা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা হাপ্লে। পব্লিক ৱার্ক্সকী ওইনা বজেটরি আউটলে অসি কুমজা ২০১৯-২০গী বজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৮৫৫ ওইরম্বা অদু কুমজা ২০২০-২১ গী বজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৮৯৫তা হেনগৎলে। টুরিজমগী লমদা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা টুরিষ্ট স্পোটশিং শেমগৎনবা পোরম য়াৎলি। মসিগীদমক বজেট ইষ্টিমেট ২০২০-২১দা লুপা ক্রোর ১৮ খাক্তুনা থল্লে। মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা রেলৱে ব্রিজ নোনেদা শারি। মফম অসি টুরিষ্টশিংগী খোয়দাবা মফম ওইহন্নবা হোৎনরি। মসিগীদমক বজেটইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৩ হাপ্লে।

ইম্ফাল-মন্দলে ফ্লাইট সর্ভিস হন্দক চহী অসিদা অমুক নৌহৌননা হৌদোক্লবা য়ানা লৈরি। ফ্লাইট সর্ভিসকীদমক রিভাইস ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৭ হাপ্লে। ইম্ফাল-মন্দলে বস সর্ভিস হৌদোকপা য়ানা লৈরি। কুমজা ২০১৯-২০গী রিভাইস ইষ্টিমেটতা লুপা লাখ ৫০ হাপ্লে। ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী বজেটরি আউটলে অসি কুমজা ২০১৯-২০গী বজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ২৩২ ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৯-২০গী রিভাইস ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৩৫৪ দা হেনগৎলে। কুমজা ২০২০-২১গী বজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৪৯১ হেনগৎলে। ইরোইশেম্বদগী হৈরাঙ্গোইথোং ফাওবগী নম্বুল তুরেলগী মরিল অসি পোল্যুসন ফ্রী ওইহল্লগনি।

জর্নেলিষ্ট ৱেলফ্যেরগী ওইনা বজেট ইষ্টিমেট কুমজা ২০১৯-২০ দা লুপা লাখ ৫ লৈরম্বা অদু রিভাইস ইষ্টিমেট ২০১৯-২০ অমদি বজেট ইষ্টিমেট ২০২০-২১ দা লুপা লাখ ২০ হেনগৎলে। এস সী মাইনোরিটি অমদি আদর বেকৱার্দ ক্লাসকী বজেটরি আউটলে অসি বজেট ইষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা ক্রোর ১১২ ওইরম্বদগী বজেট ইষ্টিমেট ২০২০-২১ দা লুপা ক্রোর ২৭৫ তা হেনগৎলে। দিভলপমেন্ট কোর্পস অমা তোঙান্না শেম্লে। বজেট ইষ্টিমেট ২০২০-২১গী ওইনা লুপা ক্রোর ১৩০ খাক্লে হায়নসু মখা তাখি।

## মীকোক থীবদা সনামহি লাইনীং...

*লামায় ১গী মখা...* হৌজিক ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লম্বা অসি লাইবক থীবনি। লৈঙাক্লসু সনামহি লাইনীংবু রিলিজিয়স মাইনোরিটি ওইনা লাউথোক্লনবা মতীক চাবা থবক পায়খৎপীয়ু। কুমজা ২০২১গী সেন্সসতা সনামহি লাইনীংগী কোদ অমা হাপহৌদবা থোক্লবদি অতোপ্পা চহী ১০ অমুক ঙাইবা তাগনি। করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না সনামহি লাইনীংবু রিলিজিয়স মাইনোরিটি ওইনা লাউথোকপীদ্রবদি এসেমব্লিদা থোমজিনবা য়াওনা মখল-মখা কয়াগী খোঙজংসু চঙশিনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা য়েলহৌমী থৌপৈ ট্রষ্টকী রিসর্চ এন্দ দোক্যুমেন্টেসন সেলগী সেক্রেটরি টি ঐচ রুহিচান্দনা হায়খি, য়াম্না লিরবা লাইনীং অমা ওইরিবা সনামহি লাইনীংগী কোদ অমা সেন্সসতা হাপ্পীয়ু হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি গভর্ণরদা অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা থবক ওইনা পায়খৎলকপদি লৈত্রি। ঙসিদগী হৌদুনা চথরিবা বজেট সেসনদা সনামহি লাইনীংগী কোদ অমা সেন্সস ২০২১দা য়াওহন্ননবা ৱারেপ লৌবীয়ু। সনামহি লাইনীং অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লিরবা লাইনীংশিংগী মনুংদা অমনি। লাইনীং অসিবু য়োকখৎননবগীদমক মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু অথুবা মতমদা পাঙথোক্লনবা থৌরাং লৈরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইম্ফালদা পুরকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* মহাকপু ঙসি চুনাভতি পুলিস ষ্টেসনগী সব-ইন্সপেক্টর আর বি য়াদবনা ইম্ফালদা পুরকপগা পন্থদনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখি। মসিদগী কোর্টনা মহাকপু থা অসিগী ১৮ ফাওবা অমুক হন্না জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

মপানগী পুলিসনা ফাদুনা পুরুবা মীওই অদুগী মমিং নোংমাইথেম রামাচন্দ্র (৪৫) কৌই। হৈক্রুজম নোংমাইথেম লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা এন রাজেন্দ্রোগী মচানুপানি। মহাক মণিপুর হিল এন্দ বেকৱার্দ দিভলপমেন্ট কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদ, ইম্ফালগী সিনিয়র চীফ মেনেজর ওইবনি হায়রি।

মহাক্না মধ্য প্রদেশকী ভোপালগী শাহপুড়াগী মনিশা মার্কেটতা লৈবা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক ব্রাঞ্চতা একাউন্ট (নম্বর- ২৭৭৫০০২১০০০০৭২০৭) লৈবা এম/এস দিলিপ ব্যুইল্ডকোন লিমিটেদনা ইস্যু তৌরকপনি হায়দুনা লুপা ক্রোর ১২গী চ্যেক (নম্বর- য়ু আর পি- ৪৪২৬৭৮)পু পাওনা কৈথেলদা লৈবা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক ব্রাঞ্চতগী দিপোজিট তৌদুনা কায়থোক্লনবা হোৎনরমখিবনি।

থৌদোকসিগী মতাংদা বেঙ্ক অসিগী দেপ্যুটি ব্রাঞ্চ হেদনা রিপোর্ট তৌরকপদগী সিটি পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ৭ (১) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৪২০/ ৪৬৮/ ৪৭১/ ৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা চুনাভতি পুলিস ষ্টেসননা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বরনা ২৬ ওফ ২০২০ অন্দর সেক্সন- ৪২০/ ৪৬৭/ ৪৬৮/ ৪৭১ আই পি সীনি হায়রি।

## ষ্টেট অসি ঈং-তপ্পা থম্নবা হোৎনরি, সিক্যুরিটিগী ফীভম...

*লামায় ১গী মখা...* সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা বিনিফিসরি ২৪৩১৪৪৮ রেজিষ্টর তৌরে। পব্লিক পোর্টেল দিজিটাইজ তৌদুনা খঙহল্লে। ইলেক্ট্রোনিক পোইন্ট ওফ সেল মেছিন ১৬০০ ফ্যের প্রাইস সোপশিংদা য়েন্থোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রি উজ্জ্বালা যোজনা মায় পাক্না পায়খৎতুনা ইমুং ১৫৫২৪৬ এল পি জি কন্নেক্সন ফংহনখ্রে। অয়াম্বা কন্নেক্সনশিং অসি খুঙ্গং চৎসি প্রোগ্রাম চথরিঙৈ মনুংদা য়েন্থোকখিবনি। লৈঙাক অসিনা এদ্যুকেসনগী থাক মপুং ফানা ফগৎহন্নবা থবক তৌরি। স্কুল ফগৎহনসি মিসন হৌদোকখ্রে। মহৈরোয়শিংগী মরক্তা কম্পিটিসন লৈহন্নবগীদমক লৈঙাক্না ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন অমদি হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসন্দা মকোক-মথং তারক্লবা মহৈরোয়শিংদা ফাইনান্সিএল এৱার্দ পীরি। মহৈরোয়শিংনা মশানা হকথেংননা য়েংশিনবা, স্কুল ন্যুত্রিসনল গার্দেনশিং স্কুল অয়াম্বদা হৌদোক্লে। মসিগী পোথোকশিং মিদ দে মিল স্কিমদা শীজিন্নগনি। মীতৈ ময়েক য়োকখৎনবা মীৎয়েং চঙলি। ক্লাস ৱানদগী বি এ সিক্স সেমিষ্টর ফাওবদা তন্নিবা মণিপুরী লোলগী টেক্সবুক অমদি রিফরেন্স বুকশিং মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্লে। ওনলাইন মণিপুরী দিক্সনরি অমদি মণিপুরী দিক্সনরি এপশিং মীয়াম্না শীজিন্নবগীদমক ফংহল্লে। লৈঙাক্না হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন ফগৎহন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

ষ্টেট অসিদা সিলচর-ইম্ফাল কে ভি ৪০০ গী ট্রান্সমিসন লাইন কম্মিসন তৌবা অসিনা পাৱর ট্রান্সমিসন অমদি সব-ট্রান্সমিসনগী লমদা অচৌবা খোঙথাং অমা থাংবা ঙল্লে। ককচিংদগী চুড়াচান্দপুর ফাওবগী ১৩২ কে ভি এ সী লাইন ওন দি সী টৱার শেমখ্রে। লৈঙাক্না খুঙ্গং পুম্নমক্তা পুং ২৪ চুপ্পা মৈ পীনবা লেপ্পি। মসিগী পান্দম ফংনবা দিন দয়াল উপাধ্যায় গ্রাম জ্যোতি যোজনা, সৌভাগ্যা অমদি ইন্টিগ্রেটেদ পাৱর দিভলপমেন্ট স্কিমনচিংবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং মায় পাক্না চৎনরি। স্কিমশিং অসিগী মখাদা য়ুমথোঙ লাখ ১.৭৫দা মৈ ফংহল্লে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সেন্সস ভিলেজ ২৫৮২ মৈ পীরে। শেনবা চহী ২০১৯-২০দা অপূনবা কঞ্জ্যুমর বেজ লাখ ৫.০ লৈবগী মনুংদা প্রিপেদ মিটর লাখ ৩.৩ পানখ্রে। লেমহৌরিবা লাখ ১.৭গী পোষ্টপেদ নৎত্রগা অনমিটর্দ কঞ্জ্যুমরশিংগী ওইনদি কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারী ফাওবদা প্রিপেদ মিটর পাল্লগনি। চহী ১ দা লুপা ক্রোর ২৪৩ খোমগৎপা ঙল্লিবা অসিদগী হেনগৎতুনা চহী ১দা লুপা ক্রোর ৩০০ য়ৌনা খোমগৎপা ঙমহল্লগনি।


এগ্রিকলচর অমদি মরী লৈনবা থবকশিংদা মণিপুর অসি কেটেগোরি ৩গী মখাদা কুমজা ২০১৭-১৮গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না মহৈ-মরোং পুথোকপগীদমক কৃষি কর্ম্মন এৱার্দ পীরক্লে। প্রোগ্রেসিভ ফার্মর অনীদা হৱাই-চেংৱাই খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপগীদমক কৃষি কর্ম্মন এৱার্দ পীরকখ্রে। পিসিকলচর, ভেটিরিনরিগী লমদা ইশাগী চাথোকনা কোন্নহন্নবগীদমক লৈঙাক অসিনা অফবা মখলগী ঙা মচিঞ্জাক হোংনা পুথোক্তুনা ঙাগী পোথোক মরাং কায়না ফংহন্নবা লম্ফেলদা ফিশ ফিদ মিল অমা লিংখৎলে। রাষ্ট্রিয়া কৃষি বিকাশ যোজনাগী মখাদা পেদি কম পিসিকলচরগী হেক্তর ৪৫০ শেমগৎনবা ফন্দশিং খাক্তুনা থল্লে। ঙাগী পোথোক হেনগৎহন্নবগীদমক ঙামী ৪২০ দা ফিশরি লোন পীখ্রে। ৱাটর রিছোর্স মেনেজমেন্টকী ওইনা ষ্টেট অসিগী ইকনমি ষ্টেবিলিটি লৈবা হায়বসি ৱাটর মেনেজমেন্টনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌই। মেজর অমদি মেদিয়ম ইরিগেসন প্রোজেক্ট ৮গী মনুংদা ৫ লোইশিল্লে। লুপা ক্রোর ৮৬ অমদি লুপা ক্রোর ১১৯ চঙনা সিংদা মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট অমদি ইম্ফাল বেরেজ প্রোজেক্ট শেমজিল্লগনি। প্রোজেক্ট অনী অসি ৱর্ল্ড বেঙ্ককী ফন্দিং মখাদা সেন্ট্রেল ৱাটর কম্মিসন্না এপ্রুভ তৌরে।

ৱাটর সপ্লায়গী ওইনা ইম্ফালগী অকোয়বদা ৱাটর সপ্লায় ফগৎহন্নবা ইন্টিগ্রেটেদ ৱাটর সপ্লায় ফোর ইম্ফাল প্লান্নিং এরিয়া লুপা ক্রোর ১২৫৬ চঙনা পায়খৎলে। ফেজ নাইনা লোইশিল্লগনি। প্রিপেদ ৱাটর মিটরশিং চহীসিগী মার্চ ফাওবদা পাল্লগনি। প্রোজেক্ট অসিগী ফেজ ৩ অসি লুপা ক্রোর ৯৯০ চঙনা ন্যু দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী খুথাংদা পায়খৎপনি। হেল্থ ক্যেরগী লমদা মণিপুরনা নোর্থ ইষ্ট অমসুং হিল ষ্টেটশিংগী মনুংদা গুদ গভর্ণান্স ইন পব্লিক হেল্থতা অহানবা মফম কনবা ঙল্লি।

চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং স্কিমগী মখাদা ইমুং অমদা লুপা লাখ ২ ফাওবগী লেম্না লায়েং শেল ফংহল্লি। বিনিফিসরি ২২৬৮৪ দা মতেং ফংহনখ্রে। মীওই লাখ ৬.৮ সী এম ঐচ টিগী মখাদা ইনরোল তৌরে। অর্বান প্লান্নিং এন্দ দিভলপমেন্টকী মখাদা স্বাচ সর্ভেক্সন ২০১৯দা মীশিং লাখ ১ গী মখাদা লৈবা কেটেগোরিদা থৌবাল, ৱাংজিং-লমদিং অমসুং ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলবু নোর্থ ইষ্ট জোনগী খ্বাইদগী লূ-নানবা টাউন ওইনা মথৎশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা এৱার্দ পীরকখ্রে। রুরেল দিভলপমেন্টতা ষ্টেট ইনষ্টিট্যুট ওফ রুরেল দিভলপমেন্টনা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা বেষ্ট পর্ফোমিং এস আই আর দি এৱার্দ লৌরক্লে। পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লম্বী ৫৫ অমদি থোং অমা শেম্নবগীদমক লুপা ক্রোর ২৭২ পি এম জি এস ৱাই-টু, বেটচ-ৱান, ২০১৯-২০ দা সেঙ্কসন তৌখ্রে। সোসল ৱেলফ্যেরগী ওইনা খুঙ্গং চৎসি প্রোগ্রামগী মখাদা মীওই ২০৮৮৩ ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী মখাদা খনগৎখি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা য়ুনিক দিসএবিলিটি আইদেন্টিটি কার্দ ওনলাইনদা পীরে। ফিশা-লোনশাগী ওইনা রুদ কার্পেন্টরি ক্লষ্টর অমা চুড়াচান্দপুরদা লিংনবা অমদি গ্রেটর ইম্ফালদা জেল্লরি ক্লষ্টর অমা লিংনবগী অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ১৮.৩৫কী অয়াবা লৈরে।

টুরিজমগী লমদা কুমজা ২০১৬ তগীদি ইন্টরনেসনল টুরিষ্টশিং লাকপগী চাং অসি চাদা ২২২ হেনগৎলে। টুরিজম সেক্তর চাউখৎনবগী পোন্টেন্সিএল লৈ। স্পোর্টসকী লমদা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়ম অমসুং হোকি ষ্টেদিয়মদা ফ্লন্দ লাইট সিষ্টম পানখৎতুনা শঙ্গাখ্রে। আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা য়োকখৎপা, মীয়ামদা খঙহনবা অমদি ঙাক-শেন্নবা লৈঙাক্কী অচেৎপা ফীরেপ লৈ। রেভিন্যুগী ওইনা লেন্দ রেকোর্দশিং কম্প্যুটরাইজেসন তৌনবা অমদি নেসনল জেনেরিক দোক্যুমেন্ট রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টমগীদমক্তা লৌচা পথাপ কৌবা ওনলাইন ৱেব পোর্টেল হাংদোকখ্রে হায়নসু মখা তারি।

**THE CHAOKHAT KHONGTHANG LAMJING CO- OPERATIVE SOCIETY**
Sangaiprou Mamang Leikai, near little flower school, Imphal, Manipur
Registration No. 311
Manipurda 2nd phase oina mangjaba amata yaodraba Tender amadi Lottery ama CKLCS, a group of society na houjaragani.
Draw Date – 20th feb,2020
Monthly share – Rs. 2000
Total number = 300
Total amount = Rs. 6,00000 (six lakh)
Agentsinggi oina khudongchaba yamna leijagani. Agentsinggi two wheeler/Gold phangbagi khudongchaba pijagani. Draw khudinggi agentsinggi commission Leijagani amadi marup numit khudinggi video clip loujaduna whatsapp group gi khuthangda membersingda uhanjagani.
Agent oibiningba amadi member oibiningbasingna officeta laktuna henna akuppa marolgidamak khangbiba yagani.
Last date of form submission: 17th feb, 2020
More details : 9856626862/8731908914
Office hour 9:30 a.m to 4:30 p.m
Sd/- CKLCS
A group of society,
Sangaiprou Mamang Leikai, Imphal
HL-P/6172/13,15,19

**KINGDOM SPOKEN ENGLISH SPOKEN HINDI & COMPUTER INSTITUTE**

50% Discount to all courses
SIR NAOBI LOITONGBAM
English Course + Free 1 mth. Computer Course
20th year Anniversary
19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
20 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
Housewives, Office Goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.
COMPUTER COURSES :
DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6am to 9am
# 7005622203, 7005665814
Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane
HL-B/5906/23/12to19/02